## মৈত্রম লমজংদা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি পাঙথোক্কনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৮ঃ* লাক্লিবা থাংজ অমসুং নোংমাইজিং নুমিত্তা মৈত্রম অৱাং লৈকাইগী লমজং মীয়াম্না নুংশি লম্বী হায়রগা খঙনরিবা মফমদা ইমোইনু ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোক্কদৌরি।

বিনিফিসিয়েল ক্লব মৈত্রমগী জেনরেল সেক্রেটরি কেঐচ অচৌ সিংহনা ফোঙদোরকখিবদি থৌরম অসি ক্লব অসিগা ইন্টর্নেসনেল সলাই পুন্সিফম ৩৩ শুবা লোইশঙ মেকোলাগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

হায়রিবা নুমিৎশিং অসিদা ফিরোল, চান থক্নবা অমদি অতোপ্পা মখল খরগী ষ্টোলশিংসু হাংগনি। মপুং ওইগদৌরিবা ইমোইনু ইরাৎপগা লোয়ননা নাৎকী ওইবা কুম্মৈশিং পাঙথোক্কনি। মীয়াম্না থৌরম অসিদা শরুক য়াবিয়ু অমসুং হৈ–লৈ কৎনিংবা অথেনপোৎ লান্নিংবশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা লাকপিয়ু হায়রি।

## শিংজমৈ ফাওবগী লম্বী কয়লাস থারগনি

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৮ঃ* গভর্নর বঙ্গলো মমাংগী ত্রাফিক পোইন্টতগী হেদ পোষ্ট ওফিস মমাং ফাওরগা শিংজমৈ পার্কিং ফাওবগী লম্বী কয়লাস থাবগী থবক পায়খৎলগনি। মরম অদুনা কৃষ্ণপ্রেমি ওইল পম্পদগী শিংজমৈ পার্কিং ফাওবগী লম্বীগী নাক–য়েত্তা লৈরিবা মীওইশিংনা লম্বী মতাই অমদি দ্রেন মথক্তা পুথোক পুশিন য়াবা নৎত্রগা য়াদবা পোৎ–চৈশিং পৈশিন্দুনা থল্লিবা অসি ঙরাং তাং ৭ তগী পারগা নুমিৎ ৭ নিগী মনুং হায়বদি লাক্লিবা তাং ১৪ ফাওবগী মনুংদা মশা মশানা লৌথোক্লবা নেস্লেল হায়ৱে দিভিজন নম্বর ২ পি দব্লিয়ু দি মনিপুরগী এগজিক্যুটিব ইঞ্জিনিয়ারনা থোকখিবা নোটিস অমনা খঙহল্লি।

করিগুম্বা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা লৌথোক্তবা তারবদি দিপার্টমেন্টনা লৌথোক্কনি। মদুদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্লক্লবদি মদুগী দাইত্ব মপু মপুনা পুগদবনি হায়নসু খঙহল্লি।

# চিন্দা খক্তা ক্বালিটি এদুকেসন পুরক্কনি হায়না শোনবসি তোকপিরো – *এস এফ আই*

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৮ঃ* চিন্দা খক্তা ক্বালিটি এদুকেসন পুরক্কনি হায়না শোনবসি তোকপিরো, অনৌবা চহিনা লাকপগা ইরোইননা লমদম অসিদা মতিক মগুন লৈবা এদুকেসন সিষ্টেম অমা লৈহন্নবা সরকার অসিনা ষ্টেট এদুকেসন পোলিসি শেম্বিয়ু হায়না ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এস এফ আই) মনিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা ফোঙদোরক্লি।

এস এফ আই ষ্টেট সেক্রেটরি অজাদ খান্না ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ষ্টেট এদুকেসন পোলিসি অমা নিংথিনা লৈতবনা ঙসিদি সরকারগী স্কুলশিংদা মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু থানিংদ্রে লোয়ননা সরকারগী থবক তৌরিবা মীওইশিংগী মচা মশুফাওবা সরকারগী স্কুলদা মীং চল্লু হায়বা য়াদ্রে। সরকারগী স্কুলদা তম্লগদি মীমান্নবা ঙম্লরোই হায়বগী ৱাখল পোক্লরক্লে। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা সরকারনা থৌনা ফনা হোৎনহৌদ্রগদি লাক্কদৌরিবা মীরোলনা শোয়দনমক্কী নোক্লরক্কনি।

এস এফ আইনা চহি অমা চুপ্পা চত্থরকপা কেম্পেইনদা থেংনরকখিবা খুদোংচাদবা কয়া পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, লমদম অসিদা লৈরিবা ওঝাশিংদা তারিবা ফজদবা মমি অসিসু সরকারগী থৌশিলদগী ওইহনবনি। একুটেবল এক্সেস টু ক্বালিটি এদুকেসন হায়বসিদা চত্থখিবা কেম্পেইন অদুদা থেংনরকখিবশিংদি রাইট টু এদুকেসন এক্ট অসি প্রাইভেট স্কুল অমত্তদা ঙসি ফাওবা চৎনহনবা ঙমদ্রি। স্কুল অমত্তা নিংথিনা ৱাল ফেন্সিং তৌদ্রি। শেমগৎ শাগৎখিবা স্কুল অমত্তা ক্বালিটি মেন্টেন তৌরমদবা থেংনখি। নুপা নুপীগী তোখায়বা তোইলেট নিংথিনা লৈতবনা অয়াম্বনি। স্কুল অমত্তদা মরম চানা পাইপ ৱাটর কনেক্সন তৌবা লৈত্রি। মসিনা মরম ওইরগা হাইজিনিক ওইবা অফবা ঈশিং মহৈরোয়শিংদা পীবা ঙমদ্রি।

মিদ দে মিলগী চাক থোংনবা শাখিবা চাকখুম অমত্তা মতিক চাদে, থোং থাক্নবা পোৎলমশিং হাইজিনিক ওইবা মওংদা থমদে। সরকারনা লেম্না পীরিবা তম্নবা লাইরিক সেসন হৌদ্রিঙেদা পীরমদে। রিপোর্টকী মতুং ইন্নদি লাইরিকশিং অদু ওথোরিটিনা থেংনা পীরকপদগী মতম চানা মহৈরোয়শিংদা পীবা ঙমদবনি হায়বসিনি। সরকারনা গ্রান্ট ওইনা এস এস এ অমদি রমসাদগী থাদরক্লিবা শেনফম মতম চানা পীদবনা স্কুলশিংগী ফিভম নোংম নোংমগী ফৎচিল্লক্তবনি। লেম্না পীরিবা য়ুনিফোর্মসু স্কুলশিংদা মতম চানা পৈশা পীরক্তবনা সেসন তংখায় চল্লক্লবা মতমদা ঙাক্তা পীরম্লে। সরকারনা লেম্না মহৈরোয়শিংদা মীদ দে মিলগী চেং মতম চানা পীরক্তবনা মসিগী কান্নবা স্কুল অমত্তদা ফংদে।

কম্প্যুটর অমত্তা নিংথি নুংঙাইনা শিজিন্নদ্রি, পৱার সপ্লাইনা খুদোংচাদবা কয়া পীরি। জেনরেটর শিজিন্নবা খুদোংচাবা পীরবসু থাউ হান্নবা পৈশা লৈতবনা কম্প্যুটর নিংথিনা তম্বীবা ঙমদ্রি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা চিফ মিনিষ্টর অমদি এদুকেসন মিনিষ্টরগী মিৎয়েং চিংশিল্লদুনা লাক্কদৌরিবা সেসন অসিদগী থম্মোয় শেংনা অমদি তুংগী য়ুম্বীরেলগীদমক মশক থোকপা থবক থৌরম পাঙথোক্তুনা লমদম অসিদা ক্বালিটি এদুকেসন পুরক্নবা হোৎনবিয়ু। সরকারনা অশোয়বা অরানবা অমদি অৱাংপা কয়া য়েংশিন্দুনা চুমথোক্ত্রবা অমদি থবক ওইনা পাঙথোক্তবা তারবদি এস এফ আইনা হ্বাইট পেপর অমা পুথোক্তুনা ভারত সরকারগী হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিদা ৱাকৎলগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## লিক–কোল লৈতেংগী মতাংদা ৱার্কসোপ কম ত্রেনিং লোইশিনখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৮ঃ* ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা খুরাই থোঙাম লৈকাইদা চিংখৈ মঙাল হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ কো–ওপরেটিভ সোসাইটি (সি এম সি এস পি)না শীন্দুনা ইনোভেটিব দিজাইন ওফ পার্সোনেল জ্বেলারি এন্দ ওর্নামেন্টস ফোর ৱুমেন হায়বা হিরমদা নুমিৎ ১৩ নি চত্থরকখিবা ৱার্কসোপ কম ত্রেনিং ঙসি সোসাইটি অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা অচন্বা থৌরম অমদা লোইশিনখ্রে।

থৌরম অদুদা কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, লোকেল এম এল এ অমসুং মনিপুর পোল্লুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চিয়ারমেন এনজি বিজয় সিংহ অমসুং সেরিকলচর দিপার্টমেন্টকী দিরেক্তর ঐচ গিনজামাং সিমতেনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকাই খুম্নবা মীথুংলেন ওইখি।

থৌরম অদুদা মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়, হোৎনবা কনবা হায়বসি মায় পাক্নবগী অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈনি হায়বসি কাওদনা থবক খুদিংমক মায় পাক্নবা হোৎনমিন্নসি। নুমিৎ ১৩ নি চুপ্পা ৱার্কসোপ কম ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোক্লিবা অসিগীদমক থাগৎলদুনা সরকারগী মায়কৈদগী লুপা লিশিং ৬০ মতেং পাংলি। সেন্টর অসিগী দরকার ওইবা মচাক মথুম শেমগৎ শাগৎনবা লুপা লাক্ষ ২গী শেঙ্গুং পীনবসু হোৎনরি।

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ফার্মু খুদিংমক্কা অচৌবা মঙলান শাগৎলগা থবক তৌবিগনু। অপিকপদগী হৌরগা অচৌবা মায় পাকপা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। মনিপুরদা পি এম জি পিগী মখাদা লোন কয়া পীরি। অদুবু লোনিশিংনা শিংবগী ৱাখলদি ইখন খন্নদে। চাদ ১০ গী চাং ফাওবা য়ৌনা শিংবা ঙমদবা কয়া য়াওরি। অদুনা মখা তানা লোন পীথনবা হোৎনবদা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরে।

মনিপুর অমদি নাগালেন্দগী পার কেপিটা ইনকম অসি য়াম্না নেম্মি। অদুনা নেসনেলাইজ অমসুং কম্মর্সিয়েল বেঙ্কশিংনা তোঙান তোঙানবা স্কিমগী মখাদা লোনগী প্রোসেস তৌরকপদা পুক্নিং ইচং চংদবগুম তৌই। অদুনা ঐখোয়না নিংথিনা থবক তৌদনা লোনগী শেনফম মতম চানা শিংগৎপা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

থৌরম মপু ওইখিবা ডাঃ এনজি বিজয় এম এল এনা হায়, ঐখোয় পুম্নমক্কা ইকোনোমি ফ্রিদম লৈরবকান্তদা নিংখা তম্বা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। পোলিটিকেল ফ্রিদম, ইকোনোমি ফ্রিদম ফংলবতদা ঙমগনি। খুরাই মায়কৈদা অহানবা ওইনা নুপীশিংতগী ওইবা সেল্ফ হেল্ফ গ্রুপ ১২৫ লিংখৎতুনা মখোয়দা মিৎয়েং থল্লি। নুপীশিংবু তোঙান তোঙানবা হিরমদা মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবগীদমক পায়খৎপা য়াবা স্কিম কয়া অমা পায়খৎলি অমসুং পায়খৎনবসু হোৎনরি। অদুনা সরকারনা পীরিবা খুদোংচাবশিং অসি লৌনবা হোৎনবগা লোয়ননা মদুগী কান্নবা অদুসু মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনমিন্নসি।

চিংখৈ মঙালগী প্রোপাইটর শ্রীময়ুম নিংঙোল কৈথেল্লাকপম ওংবী গীতা দেবীনা মনিপুরদা সেরিকলচরগী পোৎলমশিং হেন্না ময়েক শেংনা পুথোক্নবা হোৎনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। নুমিৎ ১৩ নি চুপ্পা পাঙথোকখিবা ৱার্কসোপ কম ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা পুন্না ত্রেনি ৫০ রোম্না শরুক য়াখি। ত্রেনিশিংনা সরকারদা ঙাক্তা তাইনদুনা লৈবগী মহুত্তা মশানা মশাবু থবক পীজনবা হোৎনদুনা শেল থুম ৱাত্তবা ইং তপ্পা খুন্নাই অমা ওইনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। তুংদা ত্রেনিশিংদা সার্টিফিকেটনচিংবা য়েন্থোকখি।

## উচাথোলদগী লৈশাবীথোল ফাওরিবা লম্বী থিংজিল্লগনি

*জিরিবাম, জনুৱারি ৮ঃ* জিরিবাম সব দিভিজনগী মনুং চনবা উচাথোলদগী লৈশাবী থোল ফাওবা চৎলিবা ইন্টর ভিল্লেজ লম্বীগী ফিভম শাথিনা ফত্তবদগী হায়রিবা লম্বী অসি লাক্লিবা তাং ১০ গী অহিং নোংয়াইদগী মতম কক্তুনা থিংজিন্নবা মীয়ামগী মীফম্না ৱারেপ লৌখ্রে।

উচাথোল পাইওনর ক্লবকী শান্নবুংদা ঙরাং পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা খুল ৫গী মীয়ামগী মীফম্না লম্বী অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম কুপ্না খন্নরবা মতুংদা সরকারগা য়ানবা অমা পুরক্ত্রি ফাওবা লম্বী অসিদা মখল অমত্তগী গারি চৎহন্দনা থিংজিনবা হায়না ৱারেপ্নখিবনি। ইউ জে কে রোদ দিভলপমেন্ট কম্মিটি জিরিবামগী কনভেনর ৱাই রোমি সিংহনা ঙসি থাদোরকখিবা চেরোলনা হায়, লম্বী থিংলিঙৈ মনুংদা থোরকপা অফ–ফত্তগী তাইত্ব পুম্বা মনিপুর সরকারনা পুগদবনি। লম্বী থিংবগী খোঙজং অসিদা অনা–অয়েক ধর্ম্ম কর্ম্ম অমদি মৈ ঈশিংগীদমক্তদি কোমথোক্কনি।

উচাথোলদগী লৈশাবী থোল ফাওবা চৎলিবা লম্বী অসিদা রেল লম্বী শেম্নবা পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌদুনা অচৌবা অচৌবা গারি কয়া মীকুপ কাংদনা থৌজিল্লকপদগী লম্বী অসিগী ফিভম শাথিনা শোকচিনখিবনি। তোঙান তোঙানবা লৈকাই কয়াগী মীওইশিং শু নোম্লগা হিংলিবা মীওই স্কুল কলেজ তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা লম্বী অসিদা চৎপদা অসুক্কী মতিক খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি। ইকং মতমদনা উফুলনা অমদি নোংজু থাদনা লৈখোম্না খুউ য়ৌই। লম্বী অসিদা তাউখৎলক্তুনা লৈবা নুঙনা গারি লাকপদা কাপথোরকপদগী অশোক অপন কয়াসু থোক্লে। উফুলনা অকোয়বদা লৈবা মীওইশিংদা অনা অয়েক কয়াসু থোকহল্লে। সরকার অমসুং মরি লৈনবা ওথোরিটিদা লম্বী অসি শেম্বীনবা কয়ারক হায়জরবসু ঙসি ফাওবদি থাওই ৱাওইনা তাবিদবদগী তঙাই ফদনা ঙরাং নুংথিল মীয়ামগী ওইবা অপুনবা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্নরবা মতুংদা ৱারেপশিং অদু লৌখিবনি হায়রি।




ঙরাং তাং ৭ তা য়ু আর এফকী অনিশুবা কুমওন থৌরমগা মরি লৈননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটকী ওইনা চীংগী মফমদা পাঙথোকখিবা থৌরমগী শক্তম (ফোটো – সেল্ফ)




আর কে ওংবী তম্ফাসনা ইং ২০০৯ গী মে ২৯ দা শুমাংগী পোলাংখোক্তা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্বগী মতাংদা কৈশামথোং অপুনবা মৈরা পায়বীগী লুচিংবীশিংনা মীহাৎ অদুদা চেন্নবশিং দণ্ডি পীনবা অমুক্কসু তকশিনখিবা

## কাঞ্চিপুরবু হেরিটেজ সাইট ওইনা শেমগৎপিয়ু – *য়ু পি দব্লিয়ু এ*

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৮ঃ* ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লংথবাল কেন্দ্রবু ফিল্ম সিটি ওইহন্নবা হোৎনগনি হায়না কেন্দ্র অসিগী এম এল এ করাম শ্যামনা লাউথোকখ্রবা মতুংদা কেন্দ্রগী অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা কাঞ্চিপুরবু হেরিটেজ সাইট অমা ওইনা শেমগৎপিয়ু হায়না য়ুনাইটেদ পিপলস ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন লংথবাল কুঞ্জ অৱাং লৈকাইনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা য়ুনাইটেদ পিপলস ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট অকোইজম বোবিনা হায়, মতম অমদা লংথবাল হায়রগা খঙনরম্বা মনিপুরগী কলচর অমসুং ইতিহাসকা য়াম্না নক্নুনা লৈরম্বা ফজখ্রবা মফম অসিবু ঙসিদি কাঞ্চিপুর হায়না খঙনরকপা অসি নুংঙাইতবা ফাওই অদুম ওইনমক কাঞ্চিপুর হায়না খঙনরিবা মফম অসি হেরিটেজ সাইট অমা ওইনা শেমগৎনবগীদমক সরকারনা মীৎয়েং চংবিয়ু। থৌরাং অসিগী মরি লৈননা এসোসিয়েসন্না য়াৎপা পোরম ৫ থবক ওইনা পাঙথোকপিয়ু হায়নসু সরকারগী পুক্নিং চিংশিনখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কাঞ্চিপুরবু হেরিটেজ সাইট ওইনা শেমগৎনবা থৌরাংদা এসোসিয়েসন্না য়াৎলিবা কয়াৎ ৫ অদুদি শ্রী শ্রী গোবিন্দজিগী চাইথফম ওইরম্বনি হায়না থাজনরিবা থাঙ্গপাৎ অমদি রাস মন্দলগী পুখ্রি নিংথিনা শেমগৎ শাগৎপা, গম্ভির সিংহ মহারাজ মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা আর্ট গেল্লরি অমা থম্বা, লংথবালদা লৈবা আর্মি কেম্প লৌথোক্লগা মফম অদু মীয়ামদা শিন্নবা, ডাক্তর কমলগী উপন্যাসতা শৈথাফম ওইরিবা অমসুং পোক্নফম ওইরিবা হৈবোক চীংশাংগী শক্তম ঙাক শেন্দুনা অমদি কন্দুনা থম্বা অসিনচিংবনি। অকোইজম বোবিনা মখা তানা হায়, মহারাজ গম্ভির সিংহ মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কদবা মহারাজ গম্ভির সিংহ লৈখিদবগী নিংশিং থৌরম শীন–লাংবদা কমপ্লেক্স অসিদা লৈরিবা য়ুনাইটেদ পিপলস ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসনসু শরুক য়াহনবা চুমগনি।

## পাসপোর্ট ওফিস হাংলগনি হায়বসি তৌশিন্নবনি – *এ আই ৱাই এফ*

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৮ঃ* মনিপুর সরকারনা ইম্ফালগী ওল এসেমব্লি কমপ্লেক্সকী এনেক্স বিল্ডিংদা পাসপোর্ট ওফিস অমা হাংলগনি হায়না লাউথোকখিবা ৱাফম অদু তৌশিন্নবনি হায়না ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসন ( এ আই ৱাই এফ) মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা ফোঙদোরক্লি।

কাউন্সিল অসিগী সেক্রেটরি কে নোরেন্না ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ইম্ফালদা পাসপোর্ট ওফিস অমা হাংনবা থবক লোইরে হায়রিবা ওফিস অসিদা থবক তৌগদবা ওফিসিয়েলশিং ফাওবা ত্রেনিং তৌবা লোইরে হায়না মেদিয়াগী খুত্থাংদা কয়ারক হন্না লাউথোকখিবা অদু তৌশিন্নবনি। ঙসিমক ওল এসেমব্লি কমপ্লেক্স বিল্ডিংদা পাসপোর্ট ওফিস অদু লৈরব্রা নৎত্রগা থবক হৌরব্রা য়েংলুবদা করিগুম্বা মমি অমত্তা তাবা উদে, মীওই অমত্তসু লৈরমদে। অসিতসু নত্তনা ফর্নিচরনচিংবা অমত্তসু থেংনরক্তে। সরকারগী মরু ওইবা ফম পায়রিবশিংনা পংলাওদা লাউথোকপা, মীয়ামদা লান্না প্রচার তৌবা হায়বসি ইকায়বা খঙদবগী ৱানি। অসিগুম্বা মওং চাদবা থৌওং কয়া অসিদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা নহারোলশিংদা হেন্না খোয়দৌ শাওগৎহনবতা নত্তনা ফত্তবা ৱাখল ফাওবা পোক্লক্নবগী মরম ওইহল্লি।

সরকারগী হায়বগী আর্থ অমত্তা লৈরক্ত্রবা তাঞ্জ অসিদা লৈপাক ঙাক্লিবনি, ফম অচৌবা পায়রিবনি হায়দুনা লৈবসি ইকায়বা ফাওই। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, পাসপোর্ট ওফিস হাংনি হায়দুনা লৈরিবা বিল্ডিং অসি হৌজিক অচৌবা শেনফম থাদরগা রিপিয়ারিং তৌরি। বিল্ডিং অসি চহি খরখক্কী মমাংদা শাখিবনি। অদুবু শুনুনচিংবা হাইজিনবা খক নত্তনা ইলেক্ট্রিক ফিটিং ফাওবা লৌথোক্লগা নৌনা ফিট তৌগনি হায়রি। মসিমক মীয়ামগী য়াম্লবা ফন্দ হাইদৎনবা ঠিকাগী খুত্থাংদা মাঙহন্নবা হোৎনবনি। অদুনা চপ চানা থিগৎফম থোকই।

## এদুকেসন (এস) দিপার্টমেন্টনা চীং দিষ্ট্রিক্টশিংবু থৌশাবিদ্রে

*ন্যুমাই ন্যুজ নেট ৱার্ক*

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৮ঃ* মমাং চহিগী ওক্তোবর ৩ দা থোকখিবা সরকারগী মেমোরেন্দম অমনা এদহোগ ইমপ্লোয়িশিং রিগুলরাইজেসন তৌবগী ৱাফম অদু এদুকেসন এস দিপার্টমেন্টকী ওইনদি তৌগে হায়বা মতাগুম থওই ৱাওইদবগা লোয়ননা চীং দিষ্ট্রিক্টশিংবু থৌশাবিদ্রে হায়না ফেদরেসন ওফ ওল ট্রাইবেল য়ুথ ক্লব মনিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট সরকারগী পার্সোনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্ম দিপার্টমেন্টকী দিরেক্তিভ মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংদা লৈরিবা এদহোগ সার্ভিসশিং রিগুলরাইজেসন তৌনবা ওক্তোবর ৩ গী ওফিস মেমোরেন্দম অদুনা ময়েক শেংনা হায়খিবনি। অদুবু চীং লমগী ওইনদি ওফিস মেমোরেন্দম অদু খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথিবা অমসুং মাঙনিংঙাই ওইবা অমা ওইরে। মরম অদুনা ষ্টেটকী ইন্টরেষ্টতা নাকল নাম্মতগী ওইবা এদহোগ রিগুলরাইজেসন পোলিসি অদু শেমদোকপিনবা অমসুং মদুদা এদুকেসন এস দিপার্টমেন্টসু কোনশিন্নবা চিফ মিনিষ্টরদা ফেদরেসন্না মেমোরেন্দম অমা পীদুনা তকশিল্লি।

মখোয়না হায়, চীং লমদা লৈরিবা সরকারগী স্কুলশিংগী দরকার ওইবা মচাক মথুম অমত্তা লৈতে, লাইব্রেরিগী খুদোংচাবা অমত্তা ফংদে। টিচিং ষ্টাফসু মতিক চাদে, সাইন্স অমসুং মেথমেটিক্সকী ওঝাসু লৈতে। অয়াম্বা স্কুলশিং অসি এদহোগ ওঝাশিংনা চল্লাইরিবনি। অদুনা ওঝাশিং অসিবু পুক্নিং থৌগৎপিবা অমসুং মখোয়না তৌজরিবা সার্ভিস অদুগীদমক মীৎয়েং চংবিবা দরকার ওই। অদুনা মখোয়বুসু করিগুম্বা অয়েৎপা অমত্তা য়াওদনা রিগুলরাইজেসন তৌগদবনি। মমাং চহিগী ওক্তোবর ৩ দা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অদুমক নাকন অমত্তগী ওইবা অমসুং মীচং মীখাই নাইবা সরকারগী থৌশিলনি হায়নসু ফোঙদোক্লদুনা তোঙান তোঙানবা সরকারগী দিপার্টমেন্টশিংদা লৈরিবা এদহোগশিং রিগুলরাইজেসন তৌগনি হায়রগা এদুকেসন এস দিপার্টমেন্টপু খাইদোক্তুনা থম্লম্বা অসিদি চুমদে। অদুনা সরকারগী পোলিসিদু শেমদোক্কদবনি। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা এদহোগ ওঝাশিংগী সার্ভিস অমসুং অৱাবা খুদোংচাদবা কয়াসু সরকারনা খঙবিফম থোকই। ফিভম অসিদা চিফ মিনিষ্টরনা অথুবদা মিৎয়েং চংবিনবা হায়রদুনা ভারত সংবিধান্না পীরিবা দিমোক্রেটিক রাইট অদু চপ চানা ঙাকপগা লোয়ননা ফংহন্নবা হোৎনবিয়ু হায়নসু আপিল তৌরি।

## ইন্টিগ্রেসন টুর খৌপুমদগী লমথাখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারি ৮ঃ* তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খৌপুম ভেল্লিগী মহৈরোয় ২০ ওঝা ৩ অমসুং পি ঐচ এস ইমপ্লোয় অমা য়াওবা নেসনেল ইদুকেসন টুর হৌখিবা তাং ৬ তা খৌপুম ভেল্লিদগী লমথাখ্রে।

পি আই বি (দিফেন্স ৱিং)না ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, রেদ সিল্ড দিভিজনগী মিৎয়েং মখাদা লোক্তাক ব্রিগেদ ৬/৮ গুরখা লাইফলসনা শীনবা নেসনেল ইন্টিগ্রেসন টুর অদু লোক্তাক ব্রিগেদকী কম্মান্দর ব্রিগেদিয়ার সঞ্জিব চৌহান্না খৌপুম তম্পাক্কী এন খুনৌদগী লমথাখিবনি।

কম্মান্দর ব্রিগেদিয়ার সঞ্জিব চৌহান্না হায়, ইন্টিগ্রেসন টুর অসিগী মপুং ওইবা মিৎয়েংদি লৈপাক অসিগী তোঙান তোঙানবা কলচর, দাইভর্সিটি অমসুং হেরিটেজবু নহা ওইরিবশিংগী ৱাখলদা চুশিনহন্নবা হোৎনবনি। টুর অসিদা য়াওরিবা মহৈরোয়শিংনা কোলকতা অমসুং হায়দ্রবাদকী তোঙান তোঙানবা মিৎয়েংফম ওইবা মফমশিংদা চৎকনি। মসিদা ইন্দিয়ান ম্যুজিয়ম, সাইন্স সিটি, ভিক্তোরিয়া গার্দেন, বিরলা প্লানেটরিয়ম এন্দ মন্দির, রামোজি ফিল্ম সিটি, দি আর দি ও হায়দ্রবাদ, অন্ধ্র প্রদেশ ষ্টেট আর্কিওলোজিকেল ম্যুজিয়মনচিংবসু য়েংগনি হায়রি।

## উমা আয়ুর্বেদিক ক্লিনিক

### ফহনবা ঙমখ্রে

না–তাদবা, নুংশা শোৰগী লায়না, ঈশিং পুকচৎ, শম কেনবা অমদি কোক–তাংবা, থাগী রিতু কাইবা নৎত্রগা ফিঙৌ চৎপা, ফিৰু থুংবা, হক্তিন্নবদা শন্দোকপা লায়না নৎত্রগা গেনোর্রিয়া, নুঙশং, খোংহাম্বা নুংঙাইতবা অমসু পুক শৌগৎপা

### অঙাং য়াওদবা নুপা–নুপীশিংগীদমক

কৰিগুম্বা অদোম অঙাং পোত্ত্রবা অমসুং মদুগীদমক অদোম্না নুংঙাইতবা পোক্লবদি ঐখোয়দা পাউফাউদোকপীরকউ। ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা, কানরবা অমসুং অফবা মখলগী হিদাক্না অদোম শোয়দনা পুক্নিং চংখোল্লবা ইচানুপা ইচানুপী অমা ফংবা ঙমগনি। মৰমদি অঙাং য়াওদবা নুপাঋনুপী কয়ানা অঙাং ফংবা ঙমখ্রে।

### খ্বাং নাবা, খুউ নাবা, নঙ্গল নাবা অমসুং নাকল নাম্মা পংথবা

কৰিগুম্বা অদোম নাকল নাম্মা পংথবা, খুউ নাবা, খ্বাং নাবা, খুনিং নাবা, পাম্বোম নাবা, লেংজুম নাবা, মখল খুদিংমক্কী তাং–তাং চীকপা–নাবগী অৱাবা মায়োক্নরবদি চানবিদুনা মফম অসিদা লাকপীয়ু। ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক হিদাকশিং শীজিন্নদুনা হায়রিবা লায়নাশিং শোয়দনা ফবা ঙমগনি।

### উনশাগী লায়নাশিং

অঙৌবা পকপা, উনশাদা মচেৎ নায়না পোমথোকপা, লাইকোই, অমু–অমুবা দাগ তাবা, উনশাগী মহৌশাগী কুচ্ছু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং শোয়দনা ফহনবা ঙম্মী। নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা হিদাক শীজিন্নবদগী অঙৌবা পকপা মচু ওনবা হৌরক্কনি অমসুং লায়না অসি থা খরগী মনুংদা মপুং ফনা ফহনবা ঙম্মী। লাই থোকখিবগী দাগ ফাওবা ফহনবা ঙম্মী।

### লুহোংবগী পূক্সি নুংঙাইনা লেনবিয়ু

### অদোমগী হকতিন্নবগী সমস্যা

করিগুম্বা অদোম নুমিদাংদা মতোমতা ফম্বী চৎলবা, মপানথোকপা নৎত্রগা খোং হাম্বদা ফম্বী চৎপা, ফম্বী মরাং কাইনা চত্তবা নৎত্রগা মহি লাংবা, শক্তি হন্থবা, ফিনুংগী হকচাং লীংখৎপা ৱাৎপা, থুনা ফম্বী চৎপা, নুপা নৎত্রগা নুপীগী মখল খুদিংমক্কী ফিনুংগী ওইবা লায়নাশিং লৈরবদি চানবিদুনা ঐখোয়গা পাউ ফাউনবিয়ু। ঐখোয়গী হিদাক শীজিন্নদুনা মীওই লিশিং ২০ হেন্না অসিগুম্বা লায়না ফহনবা ঙমখ্রে। ঈশিং পুকচৎ অমসুং হায় ব্লদ প্রেসৰনা মরম ওইদুনা অঙাং পোকপা ঙম্বগী শক্তি লৈতবা ফাওবা মফম অসিদা ফহনবা ঙমখ্রে।

### য়েংবদা পূক্নিং চিংশিনবা অমসুং মওং তাবা ব্রেষ্ট

করিগুম্বা অদোমগী ব্রেষ্ট অদু পীক্লবা নৎত্রগা চোম্থরবদি অমসুং অদোম্না অদোমগী ব্রেষ্ট চাওখৎহনবা পাম্লবদি চানবিদুনা ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা আয়ুর্বেদিক্কী হিদাক লৈবিয়ু।

### লিঙ্গ চাওখৎনবা মেছিন

কৰিগুম্বা অদোম্না অদোমগী লিঙ্গ শাংবা অমসুং চাওবা হেনগৎহনবা পাম্লবদি চানবিদুনা মফম অসিদগী মেছিন অসি লৈবিয়ু। মেছিন অসি শীজিন্নবনা লিঙ্গগী শাংবা অমসুং চাওথোকপা শোয়দনা ঙমগনি। লিঙ্গ লীংখৎপগী শক্তিসু হেনগৎহনগনি। হকচাংগী তোংশা অমসুং তাং–তাং চীকপা ফননবা হিদাকসু মফম অসিদা ফংগনি। মসিগীদমক ওর্দর তৌবিরকউ।

লিঙ্গ চাওখৎহন্নবা স্প্রে অমসুং ক্রিমসু মফম অসিদগী ফংবিগনি

### কমদৌনা য়ু থাদোক্কনি

য়ুদা লাইচুরবা মীওইদা (মশাদা খঙহনদনা) ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক হিদাক পীজ পীথকপা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুংদা হরাও–নুঙাইবা হায়বদু হঞ্জিল্লক্কনি। মহাক সোইদনা য়াম্না থুনা লিকর / য়ু থাদোক্কনি।

### অৰুম্বা হেনগৎহনবা

চহী মতাং অমা হেক্তদা লৈবা মশা ময়াং কংবা, তাবা তাবাবা নুপামচা / নুপীমচাশিংনা ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক্কী হিদাক শিজিন্নবা তাৰবদি নুমিৎ খৰানিদা হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎহনবা ঙমগনি।

LONG JOHN CREAM - The power of man, CHINEESE MADE ORGAN DEVELOPER & BREAST DEVELOPER ARE AVAILABLE HERE

**LOOSENESS OF PRIVATE PART**

If your private part has become loose due to encess sex, encess children leucorrhoea or any reason, then please contact us. It will be tight using own madicine surrely. Your will be as young girl. no side effect.

**Please Contact:-**
**Dr. R.N.. Gupta (396)**
C/o Uma Ayurvedic Clinic
Thangal Bazar, Khoyathong Road,
Kwality Wall Ice Cream Building, 1st Floor
Khoyathong, Imphal - 795001 (Manipur)

### য়ু, হিদাক মনা অমসুং চুরুটতগী লাপথোক্নবা

করিগুম্বা অদোম্না য়ু, হিদাক মনা অমসুং চুরুট শীজিন্নবা থাদোকপা পাম্লবদি চানবিদুনা ডা আর এন গুপ্তদা হকথেংননা উনবিয়ু

ANGELS' COACHING CENTRE [ACC]
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION COURSE CLASS II - X (BOSEM)
CBSE : REVISION COURSE, CLASS VIII TO ALL CLASSES ARE STRICTLY MONITORED BY CCTV
FACULTY : RESOURCE PERSONS & FORMER HEAD - EXAMINERS START ON 2nd JAN. 2014
OUR TOPPERS OF HSLC EXAM. 2013
1ST POSITION MIRANDA M. NIRMALABAS
3RD POSITION RATIMANJURI H. NIRMALABAS
5TH POSITION MIRANDA O. NIRMALABAS
6TH POSITION SYDENNY TH. LITTLE FLOWER
14TH POSITION VIVEK A. ST. JOSEPH
15TH POSITION REMA NAOREM NIRMALABAS
16TH POSITION SADA SALAM LITTLE FLOWER
16TH POSITION CHITRA KH. NIRMALABAS
22ND POSITION BIDYALAXMI S. LITTLE FLOWER
24TH POSITION JAYALUXMI NG. LITTLE FLOWER
24TH POSITION PRESCILA RK. NIRMALABAS
SUBJECT TOPPERS : MATHS : MIRANDA O., SYDENNY TH., REMA N., CHITRA KH., JAYALUXMI NG. ADDL. ENG. : BIDYALAXMI S.
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
Van Service upto 10km
Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726